মপানগী পাউ

যু এসনা বেক তৌবা ফোর্সনা সিরিয়াদা লৈরিবা আই এসকী এনক্লেবতা অরোইবা লানফমগীদমক্তা লান্দাবা হৌখ্রে

কামিসলি, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ যু এসনা বেক তৌবা ফোর্সনা সিরিয়াদা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী এনক্লেবতা অরোইবা লানফমগীদমক্তা লান্দাশিনবা হৌখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

রসিয়া অমদি ইরাননা বেক তৌবা সিরিয়াগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী অয়াম্বা শরুকশিং কন্ট্রোল তৌশিনবা তারগসু সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ভিলেজ অনী লৈরি। হায়রিবা ভিলেজ অনী অসি ইরাক্কী বোর্দর ওইবা এনক্লেব অমনি।

থাংজ নুমিত্তগী হৌরগা সিরিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী এনক্লেব অদুদা যু এসনা বেক তৌবা সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্স (এস দি এফ)না লান্দাশিনবা হৌখ্রে। মসি মরু ওইনা সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সনা ওপরেশন তৌরিবা এরিয়াদা জিহাদি গ্রুপকী কালিফাটনা কন্ট্রোল তৌরিবা মফম অদুদগী তকথোক্লবা পান্দ্রি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু যু এস ফোর্সপু সিরিয়াদগী লৌথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রবনি। যুমশকৈশা নুমিত্তা মহাক্না হায়খিবদা মথং চয়োলগী অঙনবা শরুক্তা যু এসনা লুচিংবা কোলিশন্না সপোর্ট তৌরিবা এস দি এফনা জিহাদি গ্রুপশিংনা মমাঙগী মতমদা কন্ট্রোল তৌদুনা লমদমগী শরুকশিং অদু লৌশিল্লগনি ফোঙদোকখ্রবনি।

ইরাক্কী বোর্দরগা নকবা এনক্লেব অসিদা ভিলেজ অনী লৈরি। ইস্লামিক ষ্টেটনসু সিরিয়াগী লমদমগী শরুক অদুদা টেরিটোরিশিং লৈরি। হায়রিবা মফম অদু রসিয়ান অমদি ইরাননা সপোর্ট তৌবা সিরিয়ান গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌরি। সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্স ওফিসকী হেদ ওইরিবা মুসাফা বালিনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লান্দাবা হৌখিবা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিংগী অরোইবা মফমদনি। হায়রিবা লান্দাশিনবগী থৌওং অসিনা জিহাদি মায়োক্তা লাম্হেংনবা অরোইবা লানফম ওইরগনি। হৌজিক লান হৌখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ ১০ অসিদা সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সশিংনা লানফম অসিগীদমক্তা শেম-শাদুনা লাকখিবনি। মফম অদুদা সিভিলিয়ান ২০,০০০ লোম হেন্না লৈরিবা অদুসু হোংদোকহনখ্রে।

কর্দিস ৱাই পি জি মিলিসিয়ানা লুচিংবা এস দি এফনা ইস্লামিক ষ্টেটপু অৱাং অমদি নোংপোক থংবা সিরিয়াগী টেরিটোরিদগী তকথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী লীদর অবু বাকর অল-বাগদাদিনা গ্রুপ অসিনা ইং ২০১৪গী মতমদা ইরাক অমদি সিরিয়াদা কন্ট্রোল তৌবা টেরিটোরিশিং অদুদা কালিফাট শেম্লে হায়না লাউথোকখিবনি। গ্রুপ অসিনা মরু ওইবা সিটি অনী সিরিয়াগী রাকা অমদি ইরাক্কী মোসুল সিটি কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরম্বা অদু ইং ২০১৭কী মতমদা মাঙজখ্রবনি।

রাকাবু কেপচর তৌরবা মতুংদা এস দি এফনা দের অলজোর প্রোভিন্সকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা চঙশিল্লক্তুনা যুফ্রেট রিভরগী নোংপোক থংবা তোর্বান্দা লৈরিবা জিহাদিশিংগী মথক্তা এটেক চংখিবনি। সিরিয়াদা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী টেরিটোরি অসি যুফ্রেট রিভরগী নোংচুপ থংবা শরুক্তনি।

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা লাউথোকখিবা ৱাফম অমদা সিরিয়াদা যু এসকী লান্মী ২,০০০ হন্দোক্লগনি। ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা লানফম অয়াম্বা মায় পাক্লে। যু এসনা হন্দোকখ্রবা মতুংদা গ্রুপ অসিনা অকিবা পীরকপা য়াই। যু এস মিলিটরিনদি এপ্রিল থাগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা সিরিয়াদা লৈরিবা লান্মী ২,০০০ অসি হন্দোক্লবা থৌরাং তৌখ্রবনি।

যু এসকী ওফিসিয়েলশিংনা কনফর্ম তৌখিবা ৱাফম অমদা, যু এসনা সিরিয়াদা লৈরিবা লান্মীশিং হন্দোকপা অসিদা ইরাক অমদি জোর্দান বোর্দরগা মনাক নকবা সিরিয়াগী তানপতা লৈরিবা যু এস মিলিটরি বেজদগী হন্দোক্লবা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি।

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মায়কৈদগীদি সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চথরিবা লানফম অসি মায় পাক্লে। মরম অদুনা যু এসনা সিরিয়াদা লৈরিবা মখোয়গী লান্মী ২,০০০ হন্দোক্লবগী ৱারেপ লৌরকখিবনি। যুএসনা লান্মী ২,০০০ থাজিন্দুনা বেক তৌরগা এস দি এফনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা লানফমদা মায় পাকপা ঙম্লকখিবনি হায়রি।

খঙজিনবদা কান্নবা

যু এসতা লৈরিবা এদল্টশরুক তঙ্খায় অমরোমদি হার্ট দিজীজ লৈ

অমেরিকাদা লৈরিবা এদল্টকী শরুক তঙ্খায় অমরোম হেনবদি হার্ট দিজীজ নাবা থেংনৈ। হৌখিবা চহী ৩লোমগী মতম অসিদা অমেরিকাদা লৈরিবা এদল্টশিংদা হার্ট নাবগী থৌওংশিং অসি খংহেন হেনগৎলকখি। অমেরিকান হার্ট এসোসিয়েশনগী মায়কৈদগী রিলীজ তৌখিবা ৱাফম অমদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা এদল্টশিংদা হার্ট নাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি নুংনাংবা পোক্লি। অমেরিকাগী নহা ওইরিবা মীওইশিং অসিদা ব্লদ প্রেশর গাইদলাইনদা অহোংবা লাকখিবা অমদি মখোয়না মতম চুপ্পদা হকচাং শাজেল ৱাংপা অমদি ফমজিন্দুনা লৈবগী থৌওংশিং অসিনা মরম ওইরগা মরু ওইনা হার্ট নাবগী চাং অসি হেনগৎলকপনি। ইং ২০১৭কী মতমদা হাইপর টেন্সন অসি মরু ওইনা হার্ট দিজীজ নানবগী ফেক্টর অমা ওইখি। মসিনা অমেরিকাদা লৈরিবা চহী ২০ দগী ৬০ ফাওবদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি অহল ওইরবা মীওইশিংদসু হার্ট দিজীজ পোকহল্লকপা য়াবগী খুদোংথিবা অদু ৱাংনা লৈ। ব্লদ প্রেশর ৱাংবা অসিনসু মরু ওইনা ষ্ট্রোক অমদি হার্ট দিজীজকী খুদোংথিবা অসি হেনগৎলকপনি। চহী ৪০গী মমাঙদা ব্লদ প্রেশর ৱাংলবা মীওইশিং অদু ষ্ট্রোক তৌবা অমদি হার্ট দিজীজগী খুদোংথিবা ৱাংনা লৈ।

যু এসকা শান্তিগী ৱারী শানবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা টালিবানগী মকোক থোংবা লীদর থাদোকখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ যু এসকা শান্তিগী ৱারী শানবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মুল্লাহ বরাদার পাকিস্টাননা থাদোকখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেশন্না হায়জরকখিবা মতুং ইন্না পাকিস্টাননা টালিবানগী মকোক থোংবা লীদর অদু থাদোক-খিবনি হায়না যু এসকী এনভোয়না ফোঙদোকখি।

অফগানিষ্টান্দা যু এসকী স্পিসিয়েল এনভোয় ওইরিবা জালমে খালিলজাদনা ৱাশিংটনদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা পাকিস্টাননা টালিবানগা রিকোন্সিলিয়েশন প্রোসেস পুরক্লবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবনি। অদুম ওইনমক ইতিহাসকী ওইনা য়েংলক-খিবা মতমদদি পাকিস্টাননা পোজি-টিভ ওইবা রোল অসি লৌরকখি-দবনি। হন্দক্কী মতম খরা অসিদা পাকিস্টানগী এটিচুদ অসি অহোংবা লাক্লি। হৌজিক চথরিবা শান্তিগী থৌরাং অসিদা পাকিস্টাননা লৌরিবা রোলগী মতাংদা হংখিবদা অওন অহোংবা কয়া অমা লাক্লেহায়না পাউখুম পীখি।

পাকিস্টাননা মুল্লাহ বরাদারবু থাদোকখিবা অসি মহাক্না হায়জখিবদগীনি। মুল্লাহ বরাদার শান্তিগী ৱারী শানবদা মরু ওইনা পুক্রিং থৌগৎপা মীওইনি হায়না জালমে খালিলজাদকী ৱারোল অদুদা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হমিদ করজাই অমদি মহাক্কী মহুৎ শিল্লিবা প্রসিদেন্ট আশ্রফ ঘানিনা হায়খিবদা, বরাদারনা শান্তিগী প্রোসেস অসিদা মরু ওইবা থৌদাংশিং লৌরি। মহাক্ন টালিবান অমদি যু এসকা শান্তিগী ৱারী শাননবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবনি।

পাকিস্টানগী মায়কৈদগী হায়রিবনা অফগানিষ্টানগী শান্তিগী ৱারী শানবা অসিদা টালিবান অমদি গভর্ণমেন্টকী মরক্তা ৱারী শানহন্নিংবগী অপাম্বা উৎলি। বরাদারবু থাদোকখিবা হায়বসি পোজিটিভ ওইবা ফল লাক্কনি হায়বগীদমক্তনি।

ঐখোয়না মতম পুন্নমক্তা পাকিস্টানবু অফগানিষ্টান্দা শান্তি থন্নবা হোৎনবদা অসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি। মখোয়না পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগীদমক সপোর্ট তৌই।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও অমদি প্রসিদেন্টকী মায়কৈদ্দগীদি ঐখোয়না পাকিস্টানগা অফবা মরী থম্না পাম্মী। অফগানিষ্টান্দা শান্তি থমদুনা চথরিবা লান অসি লোইশিন্দুনা তুংগী পুন্সিদা চাওখৎপা অমদি নুংঙাই-য়াইফবা, তংদু লৈতাবা ফিভম অমা হঙ্জিন্নবা হোৎনবদা পাকিস্টান্না মরু ওইবা থৌদাং লৌহন্নীংবগী অপাম্বা লৈ হায়না জালমে খালিলজাদনা হায়খি।

পাকিস্টান গভর্ণমেন্টনা নৱাজ শরিফ, মচানুপী অমদি মমাকনুপাবু একজিট কন্ট্রোল লিষ্টতগী লৌথোকপা য়াখিদ্রে

ইস্লামবাদ, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ পাকিস্টানগী গভর্ণমেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ মহাক্কী মচানুপী অমদি মমাকনুপাবু একজিট কন্ট্রোল লিষ্ট (ঈ সি এল)দগী লৌথোকপদা য়াখিদ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা নৱাজ শরিফ মহাক্কী মচানুপী মারিয়ম অমদি মমাকনুপা মোহম্মদ শাফদারনা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিদা মখোয়গী মমিংবু একজিট কন্ট্রোল লিষ্টতগী লৌথোক্লবা হায়জখিবনি।

মখোয়গী পিটিশন অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি পাকিস্টানগী রুল ২০১০ দগী একজিট কন্ট্রোল রুল অদু মখোয়দা এপ্লায় তৌবা য়ারোই। মখোয়না করপশন ওথোরিটিবু লান্না শীজিন্নবা টেরোরিজম নৎত্রগা করিগুম্বা লৌতুনবগী থৌওংশিং অমত্তা লৈতেহায়রিবনি। মরম অদুনা মখোয়গী মমিং অদু ঈ সি এলদগী লৌথোকপা য়ারোই হায়রিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদ্দগীসু নৱাজ শরিফ, মারিয়ম অমদি থবক্তগী রিটায়র্দ তৌরবা শাফদারবু একজিট কন্ট্রোল লিষ্টতগী লৌথোকপমগী ৱাফমদা য়াখিদবনি। নৱাজ শরিফকী ইমুং মনুং অসি ঈ সি এলগী মিংদা মমাঙ চহীগী অগষ্ট ২০দগী য়াওরকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানন্না ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমদা মখোয়গী মমিং অদু একজিট কন্ট্রোল লিষ্টতা য়াওনবা ৱারেপ লৌরকখিবনি।

ইং ২০১৮গী জুলাই থাদা ইস্লামবাদতা লৈবা একাওন্টেবিলিটি কোর্টনা নৱাজ শরিফ, মারিয়ম অমদি শাফদারবু এভেন্টফীল্ড প্রোপর্টি কেসকা মরী লৈননা কনভিক্ট পীদুনা মথংশীৎন চহী ১১, ৮ অমদি ১ জেলদা লৈনবা দন্দি পীখিবনি হায়রি।

চাদতা রিবেল ২৫০রোম হেন্না ফারে

নদজামেনা, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ লিবিয়াদগী লানশিল্লকবিবা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চথখিবা ওপরেশন্দা রিবেল ২৫০রোম হেন্না ফারে হায়না চাদ মিলিটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লি।

হৌজিক মশীং য়াম্লবা রিবেল-শিংগী মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা মরু ওইবা লুচিংবা মরি য়াওরি। রিবেল-শিং অদু মরু ওইনা গাড়ী ৪০ দা তোংলগা লাকখিবনি। মখোয়শিং অদুদা মশীং য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায় কয়া অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ফ্রান্স লৈবাক অসিনা চাদতা মিলিটরিগী সপোর্ট পীদুনা লাক্লিবনি। চৎলিবা চয়োল অসিদা ৱার প্লেনশিং শীজিন্নরগা ইনেদি রিজন্দা লৈরিবা কনভোয়দা এটেক তৌখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তা ফ্রান্সনা লাউথোকখিবা ৱাফম অমদা লিবিয়ারোমদগী চঙশিল্লকখিবা রিবেলশিংগী কনভোয় অমদা চাদকী আর্ম ফোর্সনা এটেক তৌখিবনি। ফ্রান্সনা ৱার প্লেনশিং থাজিন্দুনা মিলিটেন্টশিংগী কনভোয় অদুগী মথক্তসু এয়রষ্ট্রাইক তৌখ্রবনি।

লিবিয়াদগী লানশিল্লকখিবা মিলিটেন্টশিং অদুনা চাদা কিলোমিটর ১০০রোম হেন্না চঙশিল্লকখি। ইন্টলিজেন্স সোর্সনা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটেন্ট ১০০রোম হেনবদি কেপচর তৌরে।

প্রসিদেন্ট আইদ্রিস দেবিগী রুলগী মায়োক্তা মিলিটেন্টশিং চঙশিল্লকখিবদা নৌহৌননা গ্রেট কয়া তৌখি। ফ্রান্সকী লান্মীশিং অসি হৌজিক চাদতা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরে। ওপরেশন বারখানেগী শরুক ওইনা ফ্রান্সকী লান্মীশিং অদু চাদতা লৈবনি। অফ্রিকাগী সাহিল রিজন্দা লৈদুনা ফ্রান্সকী লান্মীশিং অদুনা ইন্সর্জেন্টশিংগী মায়োক্তা লাম্হেংনরকখিবনি।

রিবেলশিংগী কোলিশন ওইরিবা যুনিয়ন ওফ ফোর্স ওফ রেজিষ্টেন্স (যু এফ আর)না হায়খিবদা নৌহৌননা চঙশিল্লকখিবা কনভোয় অদুদা মখোয়গী ফায়টরশিংসু য়াওই।

প্রসিদেন্ট আইদ্রিস দেবিগী মায়োক্তা লৈরিবা মশীং য়ামদবা রিবেল গ্রুপশিংনা পুনশিল্লগা এল্লায়ন্স অদু শেমখিবনি হায়রি।

বাংলাদেশনা রোহিংয়া ক্রাইসিস শাংথহন্দনবা ৱার্নিং তৌখ্রে

ধাকা, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ বাংলাদেশনা রোহিংয়া ক্রাইসিস শাংথহন্দনবা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ক্রাইসিস অসি শাংথবা তারগদি রাদিকেলিজমগী থৌওংশিং হেনগৎলক্তুনা সাওথ এসিয়ান রিজন অসিদা তংদু-লৈতাবা ফিভমদা অকায়বা থোকহনগনি হায়না পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশ এন্দ হ্যুমেন রাইট্স ইন ধাকা হায়না পাঙথোকপা সেমিনার অমদা এ কে অব্দুল মোমেন্টনা হায়খিবদা, রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং অসি অথুবা মতমদা সেফটি অমদি সেকুরিটিগা লোয়ননা মরমদমদা থাবগী তঙায় ফন্দবা লৈ।

করিগুম্বা রোহিংয়াগী প্রোব্লেম অসিনা মখা শাংথবা তারগদি রাদিকেলিজমগী থৌওংশিং হেনগৎলক্তুনা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশকী তংদু লৈতানা লৈরিবা ফিভমদা অকায়বা থোকহনবদা নত্তনা রিজন অসিদসু চাওনা অকায়বা থোকহনগনি হায়রি।

যুনাইটেদ নেশন্সকী বাংলাদেশতা পর্মনেন্ট মেম্বর ওইরম্বা অমদি অনৌবা গভর্ণমেন্টতা ফোরেন মিনিষ্টর মোমেনননা হায়খিবদা, করিগুম্বা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শেখ হাসিনানা রোহিংয়াগী মীওইশিং অসি চঙজফম পীরমদবা থোক্লগদি মখোয়শিং অদু মীশিমীনা থোক্তুনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী হেক মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা জেনোসাইদ থোক্নগনি।

ঐখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টরনা ম্যান্মারগী রাখিন ষ্টেটতা ওৎ-নৈবীবদগী চেম্হোরক্লবা মীওইশিং অদুবু চঙজফম পীদুনা মালেমগী লীদরশিংগী চপ চাবা মায় ঙাক্লা থবক তৌখি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

সুদান্দা হেলিকোপ্টর কায়বদা ৩ শিরে

যুএন, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ ইথিওপিয়াগী মিলিটরি হেলিকোপ্টর অমা সুদান্দা কায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই ৩ শিরে হায়না যুনাইটেদ নেশন্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লি। হেলিকোপ্টর অদু রুটিন ওপরেশনগী শরুক ওইনা ইথিওপিয়াগী লান্মীশিং পুরগা লাকখিবা মতমদা যুনাইটেদ নেশন্স ইন্টরিম সেকুরিটি ফোর্স ফোর অবেয়ৈ (যু এন এস এফ এ)গী কম্পাওন্দদা ক্রাশলেন্দিং তৌখিবনি। ক্রু অমদি পেসেঞ্জর ২৩গী মনুংদা ১০না অশোক অপন নংলে। অদুগা ৩না অরুবা ফিভমদা লৈরি। হৌজিক মতৌ করম্না থৌদোক থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ইথিওপিয়াদা যুএন এস এফএগী গ্রাওন্দ সপোর্ট তৌনবা পর্সনেল ৪,৫০০ রোম লৈরি হায়রি।

ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

ফিট ৪০ পাকপা, ফিট ৫০ শাংবা খুরাই অহোঙ্গৈ ইরাবোৎ লৈরক্তা লৈবা ইংখোল অমা অথুবকী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বনা পাম্বীরবদি মখাগী নম্বর অসিদা ফোন তৌবীরকউ।

NT/76477/11 # 9612670552

লৌগী মিং ওঞ্জরগনি

পাট্টা নং: ৪৬ অসিনা অরিবা, অদুগা নং: ৯৬ (অনৌবা) মিংনা খুঞ্জামযুম তোম্বা সিংহ দাগ নং: ১০৬, অমনা ৪৭০ অনৌবনা ১৪৫ হায়রিবা মথক্তা পঞ্জরিবা লৌফম অসি মিং ওঞ্জরগনি। কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা লৈরগদি নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি।

হায়জরিবা, খুঞ্জামযুম প্রেম কুমার
খুঞ্জামযুম (ওংবী) লাতা দেবী, বামোন কম্পু ময়ায় লৈকাই।

NT/76478/11

THE GREEN VALLEY ACADEMY

(A Unit of Education In Excellency)
Thoubal Achouba Pakhangkhong Leirak
Thoubal-795138, Manipur
Regd. No. 46/21/2018/SE (S)

TEACHER WANTED

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualifcation
1.	Rhyme teacher	2	BA/B.Sc. + Rhyme trained
2.	Assistant Teacher (M.M.)	1	BA/MA Manipur
3.	Assistant Teacher English Grammar	1	BA/MA Manipuri
4.	Assistant Teacher (Computer Cum Operator)	1	XII-Passed, with Hindi, M.M. Knowledge DGM, DTP with DCA

NOTE : Candidate should submit their resume along with 2 recent passport size photographs on or before 15th Feb. 2019 Preference will be given to D.El. Ed. or B.Ed to all posts.

Date of Interview : **17-02-2019**
Contact : **# 7005288234 # 7005201871**

Sd/- **SECRETARY**
THE GREEN VALLEY ACADEMY, THOUBAL

NT/76475/11

IN THE COURT OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA

Ref : Mutation Case No. : 6/SDC/ICH Dt 05-02-2019

1. Leishangthem Kumu Devi W/o (L) Munal Singh of Leishangthem
2. Leishangthem Arunkumar Singh S/o (L) Munal Singh of Leishangthem .....Petitioner

- Vrs -

(Late) Leishangthem Munal Singh S/o (O) Amu Singh of Leishangthem ..... O.P.

NOTICE

Irong Chesaba 8th Feb. 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি- Under Patta No. 334 (N) C.S. Dag No. 300 Area .0986 hects ইংখোল অমসুং Patta No. 277 (N) C.S. Dag No. 1065 Area 1.1560 hects তাওথবী Village No. 8-Leishangthem হায়রিবা লমশিং অসিগী Pattadar অসি মৃতু ওইখ্রে। Petitioner (1) দা Patta No. 334 (N), Area .0473 Hects অদুগা লেমহৌরিবা শরুকশিং অসিনা Petitioner (2) দা মিং ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/ICH গী Court তা দরখাস্ত থারকপগী মতুং ইন্না Pattadar গী মরী লৈনবশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ তরেৎনিশুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/ICH গী কোর্টতা ওফিস মতমদা লাক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথরজগনি। তুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Irong Chesaba

NT/76476/11

[illegible]

ঈ তাবা, চাফাৎপা, পোম্বা, হাক্কচবা, পোমথোক্লগা লৈবা, ফম্বা ঙমদবা, মসিবু ফহনবা **Arshnasak Piles Capsule**
DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

(নুংশং অমসুং গ্যাসত্রিক)

নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাকশিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী। পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

(নুপাগী প্রোব্লেম)

শক্তি হন্থবা, হকচিন্নবগী শক্তি ৱাৎপা, ফম্বী থুনা থোকপা, মপুং ফাবা ঙমদবা, ফম্বী পাবা, ফম্বী থোকপা ৱাৎপা, অহিংদা ফম্বী চৎপা, মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নবা, খোং হান্দা ফম্বী লোয়নবা, হকচাংগী ফিনুংগী হাক্কৎচবা অসিনচিবশিং অসি অয়ুর্বেদিক হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে। চাঙ্খোকপা, শাংদোকপা ঙম্ম মেল ওর্গনান দিভেলপর মেছিনসু অদোমগী অপাম্ব মখলদা ফংবীগনি।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিজৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা চাং ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কৎচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি ব্রেষ্ট অপীকপা অমসুং চোম্হবা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজহনবা পুক্রিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরে ফাহনবা ঙম্ব অয়ুর্বেদিক ব্রেষ্ট ওইলমেন্টস অমদি মেদিসিনসু ফংবীগনু।

ডাইবেটিস লায়নানা মরম ওইরগা অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপা, ৱেথ চাং হন্থবা, পাঙ্গল শোম্হবা, সেক্সকী শক্তি ৱাৎলকপা অসিনচিংবা অসি ঐখোয়গী হীদাক চাং নাইনা চাবীযু নোংমা নোংমগী ডাইবেটিস চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্স পৱার নোংম-নোংমগী কনখৎলক্কনি।

(অঙৌবা পকপা অমসুং উনশাগী লায়না)

অঙৌবা পকপশিংগীদমক থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্ব ইঞ্জেক্সনসু লৈজরে। অদোমগী অঙৌবা পকপা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থম্বীগনু, অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীযু DUTTA CLINIC তা অমদি Skin Diseases, S.T.D. ECZEMA, উরিং, ফি লাইকোই অসিনচিংবা অতৈ স্কিন দিজীজসু লায়েংজরি।

(শমগী প্রোব্লেম অমসুং নাকোংগী প্রোব্লেম)

শম পোকখায়বা, শমজাবি, চহীগা চানদনা পোক হৌবা, শম কেনবা অসিনচিংবশিং অসি কোক্তা তৈনবা থাও অমদি মেদিসিন খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি। শমগী মচু ওল্লক্কনি।

নাকোং, না তাবা ৱাৎপা নাকোং নাবা, হান্না করিসু তৌদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি অতৈ অতোপ্পা মখলগী নাকোংগী লায়নাশিং কয়াসি লৈরবদি লাকপীদুনা তান্নবীযু।

(অরথ্রাইটিস জোইন পেন অমদি অজমা)

তাঙ-তাঙ চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎ শিথবা মসল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, অজমা, লোক খুবা, মিহুন কা-হেন্না চোংবা, শ্বর ফূনগৎপা, থবাক খেবা, থবাক নাবা, লোক কংখু খুবা অসিনচিংবশিংগীদমক ৱাবীগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীযু।

(লুম্বা হেনগৎপা)

চহী মতাং অমদা হেক্তা লৈবা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচা মশাগা চানদবা মওংদা কংবা, মশা পাবা, ৱেথ য়াওদবা, মদুগীদমকসু ঐখোয়গী হীদাক্লা ফহনবা ঙম্মী। লাকপীদুনা তান্নবীযু।

(যু করম্না থাদোকহৌগনি)

যুদা লাইচুদনা লৈরবা মীওইশিংদা ঐখোয়গী হীদাক অসি চাং নাইনা পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঙ্জিল্লক্কনি। মহাক শোয়দনা যু থাদোকপা ঙমগনি।

[illegible]

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House, Building.
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal